# ‘জেনরেল মেনেজর সস্পেন্দ তৌদুনা ইনক্কারি তৌদ্রগদি থোঙ লোল্লগনি’



ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৬ (ঐচএনএস): ইম্ফাল অর্বান কোওপরেটিব বেঙ্ক (আইয়ু সী বি) গী জেনরেল মেনেজর (জি এম) না ঙকচাও থেক্তুনা মখা থাবা মেনেজর অমগা লৌতুনরগা তৌনিংবতা তৌরিবা অসি চৈরাক পীবীনবা ওথোরিটি অমত্তা লৈতবগা মান্নরে হায়না ইম্ফাল অর্বান কোওপরেটিব বেঙ্ক স্যেয়র হোল্ডর দিভলপমেন্ট য়ুনিয়নগী প্রসিদেন্ট এস রাজেন্না মরাল শীরক্লি।

ঙসি মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফমদা এস রাজেন্না মখা তানা হায়খি, নোর্থ ইষ্ট রিজনদা খ্বায়দগী চাউরবা কোওপরেটিব বেঙ্ক অমা ওইরিবা স্যেয়র হোল্ডর মেম্বর লীশিং ২২ হেন্না লৈরিবা মীয়ামগী অমত্তা ঙায়রবা বেঙ্ক অসি ঙসিদি মপু পান্দবগা চপ মান্নরে হায়রি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা বেঙ্ক অসিগী জেনরেল মেনেজর জি থরাকসনানা ঙকচাও থেক্তুনা মখা থাবা মেনেজর এনজি প্রিয়ো-গোপালগা লৌতুনরগা তৌনিংবা তৌবদা চৈরাক পীবীনবা মরী লৈনবা ওথোরিটি অমত্তা লৈতবগা চপ মান্নরে হায়রি।

ঙসি ফাওবদা রিজর্ব বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া (আর বি আই) গী জেনরেল গাইদলাইন থুগায়দুনা লুপা ক্রোর ১০০০ হেনবগী শেনফমগী লৈবা য়োনবা ইনভেষ্টমেন্টগী থবক্তা এপ্রুবেল ওথোরিটিগী সেঙ্কসন লৌদবা অমসুং থা খুদিংগী রেক্সিফিকেসন তৌনবা অরানবা থৌশিল চত্থবদা আর বি আইনা এক্সন লৌনবা খঙহল্লবসু মরী লৈনবা ওথোরিটিনা ঙসি ফাওবা এক্সন লৌনবা স্যেয়র হোল্ডরশিংনা ৱাকৎপদা ইনক্কারি তৌদুনা এক্সন লৌবা ঙমদ্রে হায়রি।

মীয়ামগী শেলফম্বু মখোয়না শান্ননিংবা মওংদা ব্রোকর অমদি আর বি আইনা পীরিবা পর্মিসিবল লিমিটকী ৱাংমদা ঙসিসু ইনভেষ্টমেন্ট তৌরি। থা তরুক তরুক খুদিংগী তৌগদবা রিভিয়্যুসু তৌদে। থৌওংশিং অসি বেঙ্ককী স্যেয়র হোল্ডর মেম্বরশিংনা মুন্না খঙই হায়রি।

ঙসি জেনরেল মেনেজরনা দেট বেক তৌদুনা সেপ্তেম্বর ৩০, ২০১৭ দা ষ্টাফশিংগী প্রমোসন পীননবা দি পি সী পাঙথোক্লবা ওর্দর অমা ওক্তোবর ১০, ২০১৭ দা থোকখি। মসিগী মতাংদা মেম্বর খরনসু মীদিয়াদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে। নিয়ম চুন্না ষ্টাফ প্রমোসন পীবদা ঐখোয়না অয়েৎপা লৈতে। অদুবু মথক্তা হাঙলিবা পোষ্টশিং হান্না প্রমোসন পীদনা জেনরেল মেনেজরনা মহাক্কী পোষ্টতা হান্না প্রমোসন পীননবা লৌখৎলিবা খোঙথাং অসি ঙকই হায়রি। অমরোমদা, মণিপুর হায় কোর্টনা রুলিং পীদুনা বেঙ্ক অসিদা দিমোক্রেটিক মেনেজমেন্ট অমা থম্নবা বোর্দ ওফ দিরেক্তরগী ইলেক্সন পাঙথোক্লবা মরী লৈনবা ওথোরিটিদা খঙহল্লবসু ঙসি ফাওবা চপ চাবা থৌশিল অমত্তা লৌখৎতনা লৈরি। স্যেয়র হোল্ডর মেম্বরশিংগী রাইট মৎপীগনু হায়না য়ুনিয়ন অসিনা মরী লৈনবা বেঙ্ককী ওথোরিটিদা খঙহল্লক্লি। পাউগী মীফম অদুদা য়ুনিয়নগী সেক্রেটরি এম বোমোমলি অমদি মেম্বর কয়াসু শরুক য়াখি।

# দুকান অনী ফক্কায়রগা লুপা লাখ ৩.৮৮ রোমগী পোৎচৈ হুরানখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৬ (ঐচএনএস): ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা পাৎসোই পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা খুম্বোং কৈথেলদা লৈবা দুকান অনী হৌখিবা অহিংদা শকখঙদবা খরনা য়ুমথক্কী তিন ফক্কায়রগা লুপা লাখ ৩.৮৮ রোমগী পোৎ চৈ হুরানখ্রে হায়রি।

পুলিসকী পাউনা হায়, থা অসিগী ১৪ অমদি ১৫ গী লোন্নবা অহিংদা শকখঙদবশিংনা খুম্বোং কৈথেলদা লৈবা দুকান অনী য়ুমথক্কী তিন ফক্কায়রগা পোৎচৈ কয়া হুরানখি। দুকান অনী অদু অমনা সনা কোনশঙনি অদুগা অতোপ্পা দুকান অমদুনা মোবাইল য়োনবনি হায়রি। সনা কোনশঙ অদুগী মপুনা নিঙোম্বম মোহেন কৌই। মাগী দুকান অদুদগী সনা মোহোর তরেৎলোম হুরানখ্রে। মদুগী শেলফমনা লুপা লাখ ২.৩৮ রোমগী ওইগনি হায়রি।

মোবাইল য়োনবা দুকান অদুগী মপুনা মোইরাংথেম বিশ্বজিৎ কৌই। মহাক্কী দুকানদগী লুপা লাখ ১.৫০ রোমগী মোবাইল অমদি এসেসরিশিং হুরানখ্রে হায়রি। থৌদোক অসিগী মতাংদা পাৎসোই পুলিসনা কেস অমা লৌখৎপগা লোয়ননা হুরানখিবা পোৎশিং অদুগী খোঙ্গুল লীবগী থবক চত্থরি হায়রি।

# দলাই লামা খোঙচৎকী মাঙওইননা ওপরেসনদা চিংনবা মীওই ২৪ ফারে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৬ (ঐচএনএস): ইম্ফালদা স্পির্চুয়েল লিদর দলাই লামা লাক্কদৌরিবা অসিগী মাঙওইননা পামদবা থৌদোকশিং থোক্তনবা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী টিম অমনা ঙসি অয়ুক অঙনবদা কোনুং মমাং পুরৈরোম্বা খোঙনাংখোঙ এরিয়া অমদি নোংপোক ইঙ্খোলনচিংবা এরিয়াদা কোয়শিন্দুনা থিবা হুন্বা চথখ্রে।

ইম্ফাল ইষ্টকী এস পি কবিব কেগী মীৎয়েং মখাদা কম্মান্দোগী দি এস পি, এল দেবেন, ইন্সপেক্তর লুন্থাং ৱাইফে অমদি ইম্ফাল ইষ্ট ৰুমেন পুলিস য়াওনা চত্থখিবা ওপরেসন অদুদা নুপা নুপী য়াওনা পুন্না মীওই ২০৩ রোম লম্বীদা পরেং শানা লেপহন্দুনা থমখি। মতুংদা মখোয়শিং অদু পুলিসনা অমমমতা ওইনা ৱাহং পাউহং চত্থবগা লোয়ননা মশাগী শক্তাক চেনচিংবা চেক তৌখি। মখোয়শিং অদুগী মনুংদা মীওই ২৪ খক নত্তনা অতৈ লোয়না থাদোকখি। অদুবু নুপী মরি য়াওনা মীওই ২৪ রোম মশাগী শক্তাক চে য়াওরমদবদগী পুলিসনা মখা তানা ৱাহং পাউহং চত্থনবগীদমক পোরোমপাৎ পুলিস ষ্টেসনদা খুৎশিন্নখ্রে হায়রি।

ওপরেসন অসি স্পির্চুয়েল লিদর দলাই লমাগী মণিপুর খোঙচৎতা পামদবা থৌদোকশিং থোক্তনবা ইম্ফাল ৱেষ্ট অমদি ইম্ফাল ৱেষ্টকী পুলিসনা অকনবাচেকশিন থৌরাং লৌখৎপা লৈরিবনি। ঙরাংসু পুলিস টিম অসিমক্না থুম্বুথোং এরিয়াদা কোয়শিন্দুনা থিবা হুন্বা চথখি। থৌদোক অদুদা মশাগী শক্তাক চে য়াওরমদবা মীওই খরা নত্তনা অতৈদি লোয়না থাদোকখি হায়রি।

# প্রিপাক (প্রো) গী কাদর অমা ফারে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৬ (ঐচএনএস): তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এস পি ডা. এস ইবোমচাগী মীৎয়েং মখাদা মোরে পুলিস ষ্টেসনগী এস দি পি ও লোরেন্স কে মুনলিওনা লুচিংবা টিম অমনা ঙসি নুংথিল পুং ৫.৩০ রোম তাবা মতমদা মোরে ৱার্দ নম্বর ৪ প্রেম নগর মনাক্কী গেট নম্বর ২ দা থিবা হুন্বা চত্থবদা প্রিপাক (প্রো) গী কাদর অমা ফারে হায়রি।

ফারবা কাদর অদুগী মমীং থোঙাম অনন্দ ইলিয়জ ইকু এলিয়জ বিনোদ (২৫) অপোকপা টিঐচ অমুবা কৌই। মহাক সেকমাইজিন থোঙাম ময়াই লৈকায়দা লৈবনি হায়রি। মহাক লুপ অসিগী সর্জন্টে মেজরনি। মহাক্কী আর্মি নম্বরনা ২৭০১৮০ নি। মহাক হৌজিক লুপ অসিগী মশানা মশাবু চীফ ওফ দি আর্মিনি হায়জবা রাকেসকী মখাদা থবক তৌরি হায়না পুসিলকী পাউ অমনা হায়রি।

# এক্সিদেন্টদা ৩ শোক্লে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৬ : ইম্ফাল ৱেষ্ট পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা কৈশামপাৎতা ঙসি নুমিদাং পুং ৮.৩০ রোম তাবা মতমদা মারুটি ৮০০ (এমএন০৫এ-৯২৮৭) অমা এক্সিদেন্ট থোকপদগী গাড়ী অদুদা তোংলকপা মীওই অহুম শোক্তুনা মনাক নকপা হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নখ্রে। গাড়ী অদুগী মমাংগী শরুক্তু অয়াম্বা কায়খ্রে হায়রি।

# ওটোরিক্সো ড্রাইভর অমনা অঙাং অনী পুদুনা চৎখিবদগী মীপায়নরুরে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৬ (ঐচএনএস): সেনাপতি কৈথেলদা ওটোরিক্সো তোংদুনা লাকপা নুপী অমনা মহাক্কী পীক্লিবা মচানুপা অমদি মচানুপী অমগা স্কুলদা থিনবা লাকপদা সেনাপতিদা ওটোরিক্সো খাল্লগা অতোপ্পা ওটোরিক্সো অমদা তোংনবা হোৎনরিঙৈদা হান্না তোংলকপা ওটোরিক্সো ড্রাইভর অদুনা অঙাং অনী অদু পুদুনা চৎখিবদগী পাখৎনরুরে।

থৌদোক অসি ঙসি নুমিদাং পুং ৭ রোম তাবা মতমদা থোকখিবনি। তাঙ্খুল নুপী অমনা সেনাপতি পুলিস ষ্টেসনদা চঙলগা ৱাকৎপদগী খুদক্তা সেনাপতি পুলিসকী টিমশিং খায়দোক্তুনা অঙাং অনী অদুগী খোঙ্গুল লীখি। ওটোরিক্সো অদু কাংপোকপীরোমদা থৌখ্রে হায়বা পাউ তাবদগী পুলিসনা খোঙ্গুল লীরুবদা অঙাং অনী অদু সেনাপতি ওইল পম্প মনাক্তা লৈবা নুপী অদুগী মরী মতা অমগী য়ুমদা লৈরম্লে হায়রি।

তাঙ্খুল নুপী অদুনা মহাক্কী পীক্লিবা অঙাং অনী অদু মফম খঙদনা মাঙখিবদগী তৌফম খঙদদুনা পুলিস ষ্টেসন অদুদা কপ্তুনা অসুম লৈখি। থৌদোক অসিগী মতাংদা সেনাপতি পুলিসনা ওটোরিক্সো অদুনা চৎলম্বা য়াবা মায়কৈদা থিবা হুন্বা চথখি। নুমিদাংগী পুং ৮ রোম তাবা মতমদা অঙাং অনী অদু সেনাপতি ওইল পম্প মনাক্তা লৈবা নুপী অদুগী মরী মতা অমগী য়ুমদা লৈরে হায়বা পাউ ফঙখি। খুদক্তা সেনাপতি পুলিসনা মফম অদুদা চঙশিন্দুনা অঙাং অনী অদুবু লৌরুরগা মহাক্কী অপোকপীদা শীন্নখি হায়রি। পুলিসনা ওটোরিক্সো ড্রাইভর অদু মফম কয়াদা থিখি অদুবু ফঙবা ঙমখিদে হায়রি।

## In the High Court of Manipur at Imphal

**W.P.(C) No. 631 of 2017**

**In the matter** of Writ petition under Article 226 of the Constitution of India praying for the issuance of a writ in the nature of Certiorari and/or any other appropriate writ or order or direction of the like nature that this Hon'ble Court deems fit and proper; Infringement of the Fundamental Rights guaranteed under Articles 14, 16 and 21 of the constitution of India. And a writ petition praying for the enforcement of the said rights; A writ petition praying for quashing the Govt. Letter No. 9/6(3)/2010-H(Pt), Imphal, the 24th October, 2016 thereby conveying the Government approval to the appointment of waiting list candidates of Sub-Inspector of D.P.C. 2010 mentioned therein against the 9 (nine) vacancies arisen after the issuance of the advertisement/requisition form dated 24/04/2010 and newly created 18 (eighteen) posts of Sub-Inspector (Male/Civil) of Manipur police vide Govt. Order No. 9/6(3)/2010-H(Pt) dated 29.09.2017; And also praying for quashing of Govt. Order No.E-31/29/2010-PHQ(Adm)/ Imphal, the 3rd November 2016 thereby considering for appointment as Jemadar (MR/IRB) in Manipur Police Department of the candidates mentioned therein.

Md. Imtiyaz Khang, aged about 33 years, s/o., Md. Mufijuddin, r/o., Kiyamgei Awang Leikai, P.O. & P.S. Irilbung, Imphal East District, Manipur & 6 Ors. ***... PETITIONERS***

-Versus-

The State of Manipur by Principal Secretary/Commissioner (Home), Government of Manipur, at Imphal & 34 Ors.

***... RESPONDENTS***

**To**

| | |
|---|---|
| 1 Thangjam Bairan Singh, Chest no. 110/TBL. | Respondent No. 3 |
| 2 Ngangbam Boby Singh, Chest no. 623/TBL. | Respondent No. 4 |
| 3 Mairenbam Anil Singh, Chest no. 152/BPR. | Respondent No. 5 |
| 4 N. Damarujeet Singh, Chest no. 302/IW. | Respondent No. 6 |
| 5 Yumnam Ronneylal Singh, Chest no. 4/IW(Jem). | Respondent No. 7 |
| 6 Chanam Bedanta Singh, Chest no. 51/IE(Jem) | Respondent No. 8 |
| 7 Laimayum Kaushiklal Sharma, Chest no.99/IE(Jem). | Respondent No. 9 |
| 8 Khangembam Bhaktajit Singh, Chest no. 647/TBL. | Respondent No. 10 |
| 9 Athokpam Sibananda Singh, Chest no. 35/TBL. | Respondent No. 11 |
| 10 Laishram Dipak Singh, Chest no. 776/IW. | Respondent No. 12 |
| 11 Mongjam Rakesh, Chest no. 92/BPR. | Respondent No. 13 |
| 12 Wairokpam Romio Singh, Chest no. 80/TBL. | Respondent No. 14 |
| 13 Mayanglambam Lakpati Singh(SC), Chest no. 71/TBL. | Respondent No. 15 |
| 14 Abdul Hassan Sheikh, Chest no. 4/TBL. | Respondent No. 16 |
| 15 Okram Atangba Singh, Chest no. 266/TBL. | Respondent No. 17 |
| 16 Khoibam Dhanachandra Singh, Chest no. 65/IW. | Respondent No. 18 |
| 17 Sagolsem Anand Singh, Chest no. 667/TBL. | Respondent No. 19 |
| 18 A.K. Rakesh Singh, Chest no. 550/TBL. | Respondent No. 20 |
| 19 Rongkhamshel Khaling, Chest no. 95/CDL. | Respondent No. 21 |
| 20 A.S. Yureingam, Chest no. 19/UKL. | Respondent No. 22 |
| 21 B. Zairenthang, Chest no. 254/CCP. | Respondent No. 23 |
| 22 T. Alex LalminInm, Chest no. 21/CCP. | Respondent No. 24 |
| 23 Th. Washington, Chest no. 20/SPT. | Respondent No. 25 |
| 24 Lungonlien Touthang, Chest no. 135/SPT. | Respondent No. 26 |
| 25 L. Khupminthang, Chest no. 66/CCP. | Respondent No. 27 |
| 26 N. Thangmal Sawon, Chest no. 207/CCP. | Respondent No. 28 |
| 27 A. Neni John, Chest no. 29/SPT. | Respondent No. 29 |
| 28 Sharungbam Biswajit Singh, Chest no. 71/IW(Jem). | Respondent No. 30 |
| 29 Irom Kumarjit Singh, Chest no. 9/IW(Jem). | Respondent No. 31 |
| 30 Laishram Romenkumar Singh, Chest no. 775/IW. | Respondent No. 32 |
| 31 Th. Ronaldjit Singh, Chest no. 217/IW. | Respondent No. 33 |
| 32 W. Wormi, Chest no. 1/UKL(Jem). | Respondent No. 34 |
| 33 Thaokung Ripunhoi Chothe, Chest no. 44/CDL. | Respondent No. 35 |

**NOTICE UNDER ORDER V, RULE 20 C.P.C. (SUBSTITUTED SERVICE)**

Whereas the Hon'ble Court vide its orders dated 20/09/2017 and 25/08/2017 passed in WP(C) No. 631 of 2017 in the matter mentioned above has been pleased to permit the petitioners to serve notice to the Respondents No. 3 to 35 by way of "Substituted Service" through publication in 2 (two) local dailies, one in English and one in local varnacular for one day returnable i.e. on or before 25.10.2017.

Now, therefore, notice is hereby issued to you by way of substituted service by making publication in the Newspaper requiring you to appear before the Court on or before 25.10.2017 either in person or by a lawyer duly authorized.

If no appearance is made on your behalf, by yourself or by your lawyer or by someone authorized by law to act for you in the aforementioned Case on the date of appearance or before such later date on which the Case may be heard and decided Ex-Parte in your absence. Signed and sealed by order of the Court this the 6th day of October, 2017.

By Order, **M.C. Nandi**
**ASSISTANT REGISTRAR-I,**
High Court of Manipur
Imphal (Manipur)

By: Mr. N. Mahendra, Advocate
Dated, Imphal
The 6th day of October, 2017

HL-P/4629/17

## মেডাম গুণীবু থাগৎচরি



শগোলবন্দ খম্নাম লৈরক আই. টি. আই মনাক ইম্ফালদা লৈবা ওজা নবকিশোরনা ইবিবা লাইরিক **“চুম্মী” হায়না লৌবীব্রা? “লাল্লি” হায়না লৌবীব্রা?** হায়রিবা লাইরিক অসি ইমুং-মনুং পুন্না পামীন্নদুনা জ্ঞ্যান লৌশিং পুন্না লৌমীন্নদুনা ভাব তামীন্নবা য়াম্না কান্নরবা লাইরিক অসিবু ফোংবীদুনা ময়ামবু পাহনবা ফঙহনবিরিবী **অহৈবম গুণী** হৈরাংগোইথোং বাজারবু থাগৎপা ফোঙদোকচরি।

*থাগৎচরিবা ঃ* **খুমবোংময়ুম ক্বাকলৈ মীতৈ
খুমবোংময়ুম ওংবী মেম্মা লৈমা**
*পাটসোই পার্ট ফোর*

HL-P/2890/17

## ADVANCED COACHING INSTITUTE

Nagamapal Lamabam Leikai near RIMS Road,opposit koirengei auto parking Regd. No. : 729

*The Largest,Trusted & Premier Coaching Institute,Imphal in both Sc. &Arts*

REVISION COURSE FOR CLASS X,XII FROM 2nd Oct & 5th Oct.

Last Foundation course for class ix to xii






2nd Position(Sc. 2017)
R.K. Babysana



3rd Position(Sc.2017)
VICTORIA

Only 30 seats each section separated CBSE &COHSEM batches



2nd Position (Arts)
Guneshori



3rd Position(Arts)
Dholenchandra



8th Position(Arts)
Pebam

*Separated boys and girls hostels, van service,morning and evening batches .For more details contact 9862992105*

HL-B/4132/21-20 Oct.

## BRAINOBRAIN NAGAMAPAL

Established : 2009
750 Plus Enrollment, 20 Facilities
EXPLORE THE AMAZING POWERS OF YOUR CHILD'S BRAIN

**ADMISSION OPEN**
**42nd BATCH OF BRAINOBRAIN'S**
**Advanced Skill Development Programme**

- Improves Memory Power
- Vocabulary & Spelling Skills
- Enhances Mathematical & Logical Skills.
- Quick & Retentive Memory
- Course Duration: 10 Terms of 3 months each.
- Class Start : 8th October 2017
- One Class per Week (2 hrs on Every Sunday)




**HEAD OFFICE: BRAINOBRAIN NAGAMAPAL**
*Please don't wait for the last date to enrolled your child*
NAGAMAPAL SORAM LEIRAK 9615412398/

Greetings from Brainobrain Nagamapal
We are introducing 6 months Basic Drawing/ Painting Programme by Miss A. Anju Devi (Master in Visual Arts, Painting)

HL-P/2951/25 to 24 Nov. (alt.)

## GOVERNMENT OF MANIPUR
## DEPARTMENT OF TAXES

**N O T I C E**

**Imphal, the 16th October, 2017**

No. Tax/4(53)/IMP/GST-NOTN/2016/ : It is hereby informed that a special GST Registration Camp will be organised for Imphal evening stalls and Local Cable Operators (LCOs) for ISTV and Impact TV. The details of the program are given below:

| Name of the Organisation | Place of Camp | Date | Time | Registration requirements |
|---|---|---|---|---|
| Department of Municipal Administration, Housing and Urban Development (MAHUD) | PDA Complex, North AOC, (Near Hotel Imphal), Imphal East, Manipur. | 18th October, 2017 | 10:30 am. - 4:00 p.m. | 1. PAN Card 2. Photograph 3. Constitution of Business (Partnership Deed in case of Partnership Firm, Registration Certificate/Proof of Constitution in case of Society, Trust, Club, Government Department, Association of Persons or Body of Individuals, Local Authority, Statutory Body and Others etc.) 4. Proof of Principal Place of Business 5. Bank Account Related Proof |
| ISTV Network | ISTV office, Gambhir Singh shopping Market, BT Road, Imphal West, Manipur. | 20th October, 2017 | 10:30 am. - 4:00 p.m. | |
| Impact TV | Impact TV, Paona Bazar, Near Keishampat Bridge, Imphal West, Manipur | 20th October, 2017 | 10:30 am. - 4:00 p.m. | |

All concerned dealers/Cable operators are requested to register themselves at their respective locations with necessary documents.

Sd/-
**Hrisheekesh Modak**
Commissioner of Taxes, Manipur

HL-B/4173/17

## লৌ য়ৈনবা মেচিন অমা য়োঞ্জরি

চহী অনীদং শীজিন্নরিবা লৌ য়ৈনবা ROYAL মেচিন অমা অথুবগী ওইনা য়োঞ্জরি। পাম্বীবশিংনা মখাগী নম্বর অসিদা ফোন তৌবীরকউ

☎ 9612986851

HL-P/2896/17&18

## GOVERNMENT OF MANIPUR
## DIRECTORATE OF TRADE, COMMERCE & INDUSTRIES

**NOTICE INVITING TENDER**

Imphal, the 16th October, 2017

**No. Y-1/TC&I/2017/IITF (37):** In connection with Manipur State Day Celebration to be held during Indian International Trade Fair, 2017 at Pragati Maidan, New Delhi from 14th to 27th November, 2017, sealed rate quotations are invited from the interested registered Non-Profit Making Cultural Organisations for presenting 4 to 5 prominent cultural items at the Fair. The following terms and conditions are required for submission of the sealed rate quotation.

1. The rates quotation for the cultural items shall be written in words and figures wherever required and should be inclusive of to & fro, (Imphal - Delhi) journey fare, food and lodging of the troupe and entourage. The term and condition of payment should be indicated if required.
2. Performance time of each cultural presentation should be indicated with a brief. The rates for each cultural items should be indicated. A maximum of the cultural items should be submitted.
3. Attested copy of the Organisation/Association valid registration to be enclosed.
4. Earnest Money of Rs. 5,000/- (Rupees five thousand) only in the form of Bank Draft payable in favour of the Director, Trade, Commerce & Industries should be submitted along with the SRQ.
5. The sealed bid should be dropped in the box in the Directorate on or before **1.00 P.M of 26th October 2017** and under no circumstances sealed bids submitted after the stipulated date and time will be entertained. The sealed rate quotation shall be opened the same day at 3.00 P.M. The bidders can be present on and their representative during opening of the bids.
6. The Director reserves the right to accept or reject any or all the quotations without assigning any reason thereof.
7. The envelope containing sealed tender should be super-scribed as **"RATE QUOTATION FOR CULTURAL SHOW"** and the same be dropped in the box placed in the office of the Director, Trade, Commerce & Industry.
8. Costumes and gears for the cultural items shall be borne by the Cultural Association.

*Sd/-* **M. Luikham**
Director of Trade, Commerce & Industries, Manipur

HL-P/4630/17

## মীতৈ লায়েং

য়া শৎতনা লায়েংবা, য়াগী কেন্সর মায় পাক্লা লায়েংজরি । এন ইবোহল মীতৈ
**চীংমৈরোং মনীং লৈকায় লম্বী চংফম মচিন, নিয়র এসেমব্লী কমপ্লেক্স**



১। হৌজিক্কী মতম অসিদা মীয়াম্না মীপাইনরিবা বি.পি. হায়বসি ইমালোন্দা লাইয়ৈ য়ৈবা হায়বনি। হায়রিবা লাইওং অসি মীতৈ ঈপা ঈপুনা অসুম চৎলম্বদগী বোম তুদুনা শিরে, তুমখিবদগী হৌগৎলক্তরে হায়বদি ঐগী লোলদা লাইয়ৈ য়ৈদুনা শিরে হায়বনি। হৌজিক্কী মতমগী লোন্দদি বি.পি. পোকখায়দুনা শিরে হায়না খঙনৈ। হায়রিবা লাইওং অসি মীতৈ ঈপা ঈপুশিংনা থন্বীরম্বা হীদাকশিংনা লায়েংদুনা কনবা ঙম্লে। অকুপ্পা মরোল মীতৈ লায়েংদা নৈনবীয়ু, তান্নবীয়ু।
২। হার্টকী লায়না হায়বদি শ্বর হোনবা নুংঙাইতবা, শদৌ থোংবা, হকচাং চোকথবা, তুম্বা য়াদবা, অকি অখঙ পোকপা অসিনচিংবা লাইওং কয়া অসি হার্টকী ওইবা প্রোব্লেমনি। অদুবু ৱাবীরুনু মীতৈ লায়েংনা অতেনবা মতমদা ফহনবা ঙম্লে।
৩। হৌজিক্কী মতম খুৎলায়গী পাঙ্গলনা চাংয়েং তৌবদা অনাবগী লাইওং পুথোকপা ঙমদবা লায়না লাইওং কয়া মীতৈ লায়েংনা মায় পাক্লা লায়েংজরি। নুংশীৎকী লায়না (Gastric)।
৪। Make-up (Parlour) তৌবদা চান্নদবদগী মায়দা allergy তৌবা অসি মীতৈ লায়েংনা অতেনবা মতমদা কোকহনবা ঙমজরে।
৫। মীওইবগী পুন্সিদা য়া হায়বা শায়রগা চান্নরীবা অসিবু পুন্সিগী লেঙদ্রবা পামেল অমা ওইহনবীয়ু। অদোমগী হকচাঙ ফহনবীয়ু। য়ানা মীওইবগী থৱায়নি। য়া নাবা অমসুং য়াদা মুবা তিল চাবা হোবা, য়ারীদা পোম্বা, নাই চাবা, ঈ থোকপা অসিনচিংবা কয়া শত্তনা অমদি তুংদসু অমুক হৌহন্দনা মায় পাক্লা লায়েংজরি।
৬। মথক্তা পঞ্জখিবা লায়নাশিং অসিগী মথক্তা মখাদা পঞ্জরিবা লায়নাশিং অসিসু ঐখোয়না চাংয়েং কয়া তৌজদুনা নীঙথিনা লায়েংজদুনা মায় পাক্লা ফহনবা ঙমজরে। লায়নাশিং অদুদি :- নুংশং নাবা, লাই ওক্লবা, ঈশিং পুকচৎপা, নুপীগী থাগী খোঙকাপ শোইবা, ফীঙৌ চৎপা, ঈ-নুংশিৎ, লিবর, চাকখাউ নাবা, এজমা হারা, হুইনা চিকপা, লিন্না চিকপা, সাইনস, তোন্সিন অমদি কংখুনচিংবা লায়না কয়া, লালচাক-ফন্বী শোনবা, খোঙয়া শাবা, হকচাংদা ঈপুম নাইপুম লৈবা (without surgery) ফহনবা ঙম্বা হীদাক, খ্বাঙ নাবা, মটু লৈবা, অপোম্বা খুদিংমক, নুংশিৎ চংবা (হিংচাবী চংবা), মীৎ-নাপু কাবা, খোঞ্জেল শীথবা (voice down), ঈ-য়াই হকচাং নোয়বা ফনবা অমদি মশা পাবা নোয়নবা, নাহি তাবা অমদি ঊনশাগী লায়না কয়া মায় পাক্লা ফহনবা ঙমজরে।

**অকুপ্পা মরোল খঙবীনিংবশিংনা মীতৈ লায়েং ইবোহল, সনাতোম্বা, গোপাল অমসুং মোধুবলাদা তান্নবীয়ু।**

**Regd. No. 4277 of 82 April**
Phone No. **9615533737, 9856271907**
**DR. N. IBOHAL MEITEI, State & National Awardee**

HL-B/4151/30/09-29/10